# যুএননা লৈখিদ্রবা পিছ কিপ্পরশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে ঐখোয়গী পিছ কিপ্পরশিংনা অচৌবা শীংনবশিং মায়োক্লরি: গুটরেজ



যুনাইটেদ নেসন্স, মে ২৭ (এজেন্সী):
যুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা যুএনদা লৈবা মালেমগী বোদি অসিগী হেদ ক্বার্টর্সতা রিট অমা কৎতুনা কুমজা ১৯৪৮ দগী মফম কয়াদা পিছ কিপ্পিং মিশনদা লৈখিদ্রবা পিছ কিপ্পর ৪২০০ হেনবদা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহীদা লৈখিদবা পিছ কিপ্পর ১০৭ তা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা থৌরম অমা মহাক্না প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

চহী অহুমগী মনুংদা অহানবা ওইনা শগোলশেল নুমিত্তা মশামক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা গুটরেজনা মশা লৈখিদ্রবা পিছ কিপ্পর ১১৭ তা দাগ হামার্সজে াল্ড মেদল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

ঐখোয়গী পিছ কিপ্পরশিংনা লেপ্পুনা হেনগৎলক্লিবা অচৌবা শিংনবশিং মায়োক্লরি হায়না যুএন চীফনা ফোঙদোরক্লি।

গুটরেজনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রিস্ক ময়াম অসি লৈদুনসু ঐখোয়গী পিছ কিপ্পরশিংনা কথোকপগা লোয়ননা মখা তানা থবক তৌরি। মখোয়না খ্বাইদগী শাথিবা কন্দিসনশিংদা চোকথবা নাইদনা থবক তৌই। মফম কয়াদা খোঙজেল থুনা অহোঙবা লাক্লিবা ফিভমশিংদা মখোয়না অঙন্বা থাক্তা মথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনৈ।

মালেমগী কম্যুনিটি মখল কয়া রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মখোয়না মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা খ্বাইদগী খুদোং থীবা ফিভম কয়া মায়োক্লরিবশিংবু লেপ্পুনা প্রোটেক্সন পীনবা হোৎনরি। মখোয়না খ্বাইদগী চাওবা মিশন ওইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী থবক পাঙথোক্লি।

সেক্রেটরি জেনরেলনা থৌনা ফবগীদমক যুএননা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী এৱার্দ ওইরিবা কেপ্টেন মবাইয়ে দাইগ্নে মেদল মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা চাদিএন কেপ্টেন অলদেলরাজা হামিদ বহারদা পীখি। লৈখিদ্রবা কেপ্টেন অসিগী অপোকপনা মচাগী মহুৎ শিন্দুনা মেদল অদু লৌখি। কেপ্টেন অলদেলরাজা যুএন পিছ কিপ্পিং মিশনগী শরুক অমা ওইনা মালিদা চাদিয়ান মিলিটরি কন্টিঞ্জেন্টদা য়াওখি। মহাক অমসুং অতে পিছ কিপ্পরশিং মনুং হঞ্জিনবা কেম্প অমদা লৈরিঙৈদা টার্গেট তৌখিবনি।

পাঙদবগী মতৌদা চথখিবা এটেক্ট অদুদা মখোয়গী কেম্পদা রোকেটশিং য়াওনা আর্টিল্লরি এটেক্ট চাওনা চথখি। ফিভম হেন্না লুশিল্লকখিবগা লোয়ননা কেপ্টেন অলদেলরাজা অমসুং মহাক্কী কন্মান্দর ওফিসারনা মখোয়গী টিমশিং প্রোটেক্ট তৌনবগীদমক্তা থৌনা ফনা কাউন্টর এটেক্ট চথখি।

মহাক্না কেম্প অদুগী অকোয়বদা ঙাক শেন্নবা থৌনা লৈনা হোৎনখিবগা লোয়ননা অলদেলরাজ না বেজ অদুগা নক্কনা লৈবা য়ুম অমদা এটেক্করশিং চঙশিনবা উখি। মখোয়না মখা তানা হেন্না শোকহল্লকপা থিংনবগী পান্দমগা লোয়ননা মহাক্না য়ুম অদুদা লৈরিবশিং মপানদা পুথোক্লবা অমদি মফম অদুবু সেক্যুর ওইহন্নবা হোৎনখি। মদুদা কেপ্টেন অলদেলরাজা এটেক্করশিং অদুনা কাপ্পদা পান্দুনা শিখিবনি হায়না গুটরেজনা থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুদা অতে চাদিয়ান পিছ কিপ্পর অহুমসু শিখি অমসুং পিছ কিপ্পর ৩৪ না অশোক অপন নঙখি। তৌইগুম্বসুং কেপ্টেন অলদেলরাজানা উৎখিবা থৌনা অদু লৈরমদবা তারবদি অতে মীওই কয়া নুমিৎতুদা মপুন্সি লোল্লমগনি। মসি মশা কথোকচবগী য়াম্না শেংলবা খুদম চাংদম অমনি।

কেপ্টেন অলদেলরাজা হামিদ বহার মতমদুদা চহী ৩৪ দা শুখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী এক্সনশিং অদুনা তোমথিন ওইরবা মীওই অমগী মতৌশিং উৎখি অমসুং মহাক্না উৎখিবা থৌনা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু কাউররোই হায়না গুটরেজনা মখা তাখি। যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা কেপ্টেন মবায়ে দাইগ্নে মেদল পীনবা ওথোরাইজ তৌখিবসি মসিনা অনীরক শুবনি।

# রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দারবসু যুএসনা মখা তানা চাইনাদা মীৎয়েং থল্লি: ব্লিনকন



ৱাশিংতন, মে ২৭ (এজেন্সী):
হৌজিক রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দারিবা অসিনা ইন্টরনেসনেল ওর্দরদা খুদক্কী ওইনা অকিবা পীরবসু যুনাইটেদ ষ্টেটসকী মীৎয়েংগী তুং কোয়না খ্বাইদগী লুবা শীংনবা ওইগদৌরিবা চাইনাদা মখা তানা থল্লি হায়না যুএসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকন্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মতম শাংনা ঙাইরক্লবা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী চাইনা পোলিসিগী মায়খুম হাংলদুনা সেক্রেটরি ব্লিনকন্না হায়খি, মদুদি বৈজিংনা ইন্টরনেসনেল রুলশিং, লোশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিং শীংনবগা লোয়ননা প্রসিদেন্সি সি জিনপিংগী মখাদা রুল্লিং চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টি অসি চাইনাদা ওথোরিটিগী মায়োক্তা লৈবশিংবু নমথনবা হোৎনবা অমদি মপানদা লৈবাক কয়াদা অকন অরিং শীংবা হেনগৎলক্লি।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা মখা তানা হায়খি, রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা থা অহুমগী মমাঙদা যুক্রেনদা এটেক্ট চথবা হৌখিবগা লোয়ননা মহাক্না যুএন চার্টরদা পল্লিবা মালেমগী লৈবাক পুম্নমকপু অকন অরিংশিংবশিংদগী প্রোটেক্সন পীবগী পান্দমদা পল্লিবা সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিগী প্রিন্সিপলশিংদসু এটেক্ট তৌখি।

তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট পুটিননা যুক্রেনদা মখা তানা লান চথরবসু ঐখোয়গী মীৎয়েংদি ইন্টরনেসনেল ওর্দরদা তুং কোয়না অমসুং খ্বাইদগী লুনা শীংনরিবা লৈবাক্তা থমগনি। অসিগুম্বা শীংনবা অদু পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাদগী লাক্লিবনি। চাইনা অসি মালেমগী ওর্দরদা অহোংবা লাকহনবা অমদি ইকনোমিক, দিপ্লোমেটিক, মিলিটরি অমসুং টেক্নোলোজিকেল পৱার উখোক্লবা হনবা নাইদনা উৎলক্লিবা লৈবাক অমনি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসনা কনফ্লিক্ট নত্ত্রগা অনৌবা কোল্ড ৱার অমা লাকহনবা পামদে। লৈবাক অসিনা চাইনানা মালেমগী পোলিটিকেল নত্ত্রগা ইকনোমিক পৱার অমা ওইরক্লবা হোৎনবদসু অথিংবা পীবা পামদে। তৌইগুম্বসুং সি জিনপিংনা লুচিংবা চাইনিজ গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিদা ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবশিংবু তমথীবা মওংদা নমথনবা হোৎনবা অমদি লৈবাক অসিগী ৱাংমদা হায়বদি মালেমগী মফম কয়াদা অকন অরিং শীংবা হেনগৎলক্লি।

যুক্রেনদা লান্দাদ্রিঙৈগী মমাঙদা চাইনানা পুটিনগী রসিয়াদা লিমিট লৈতবা পেক খুৎয়েক পীনখি। বৈজিংবু ঐখোয়না মখোয়গী অপান্বা মওংদা অমদি পান্দমশিং ফংননবা চৎহনবা হায়বসি লেপ্পুনা ঐখোয়গী পোলিসিগী মায়োক্তা লাকপগুম তৌরি হায়না ব্লিনকন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মঙ্কিপোক্স লৈবাক ২০ হেনবদা শন্দোরক্লে: দব্লিয়ু ঐচ ও



জিনেভা, মে ২৭ (এজেন্সী):
কনফার্ম তৌবা কেস ২০০ রোমগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাক ২০ হেনবদা মঙ্কিপোক্স ভাইরস শন্দোক্লে অমসুং লায়না অসি হান্নদগী থেংনখিদবা লৈবাকশিংদা চিংননিংঙাই ওইবা কেস ১০০ হেন্না থেংনরে হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোরক্লি।

লায়না অসিগী লাইচৎ হেনগৎ-লকপগা লোয়ননা লৈবাকশিংদা লৌনগল্লবা লায়না অসিগী সর্ভিলেন্স হেনগৎনবা আপিল তৌখ্রে। দব্লিয়ু ঐচ ওগী কোভিদ ১৯ টেক্নিকেল লিদ ওইরিবা মারিয়া ভান খেরখোবকী মতুং ইন্না সর্ভিলেন্স হেনগৎলকপগা লোয়ননা তাঙনা থেংনবা ভাইরেল লায়না অসিগী কেস মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈ। তৌইগুম্বসুং হন্দক্তা শন্দোরক্লিবসি লাকশিনবা য়াবগী ফিভমদনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গ্লোবেল হেল্‌ঠ এজেন্সি অসিগী সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা ফোঙখিবা ৱাহং অমদি পাউখুমগী সেসনদা ভান খেরখোবনা হায়খি, মদুদি লায়না অসিগী অহেনবা কেসশিং থেংনরক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ। ঐখোয়না মালেমগী লৈবাকশিংদা সর্ভিলেন্স কনখৎনবা হায়রি।

লায়না অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি লাকশিনবা য়াগনি হায়না ঐখোয়না লৌই। হান্না লায়না অসি লৈরকখিদবা মফমশিংদা লায়না অসিগী কেসশিং শন্দোরক্লিবশিং লুরবসু লুনা লাকশিনবা ঙমগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

মে ৭ তা অহানবা কেস রিপোর্ট তৌখিবদগী মঙ্কিপোক্স অসি যুকেদগী নোর্থ অমেরিকা অমসুং যুরোপতা শন্দোরকখি। লাইচৎ অসি ভাইরস অদুগী খরা মাইল্ড ওইবা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী ষ্ট্রেন্ট অমনা থোকহনবনি অমসুং পেসেন্ট অয়াম্বা চয়োল খরগী মনুংদা ফগৎলকই। হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মী শিহনবগী পাউ ফঙদ্রি।

যুরোপিয়ন সেন্টর ফোর দিজিস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোলগী মতুং ইন্না যুরোপিয়ন যুনিয়ন্না (ইয়ু) না মঙ্কিপোক্সকী কেস ১১৮ কনফার্ম তৌই। ইয়ুগী ওইনা স্পেন অমসুং পোর্টুগলনা মথংশিংনা কেস মশিং ৫১ অমসুং ৩৭ রিপোর্ট তৌবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না থেংনবা লৈবাক ওইরি।

যুকেগী হেল্‌ঠ সেক্যুরিটি এজেন্সিনা ভাইরস অসিগী কেস ৯০ কনফার্ম তৌরে। যুএস সেন্টর্স ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সিদিসি) না লৈবাক অসিগী ষ্টেট তরেৎতা মঙ্কিপোক্সকী কেস মাপন আইদেন্টিফাইদ তৌরে অমসুং কানাদিয়ন হেল্‌ঠ ওফিসিএলশিংনা মঙ্কিপোক্সকী কেস ১৬ কনফার্ম তৌরে। কানাদাগী কেসশিং অদু ক্যুবেক প্রোভিন্সতা দিটেক্ট তৌখিবনি।

সিদিসিগী দিরেক্তর রাসেল রোচেল্লি ৱালেন্সকিনা হায়খি, মদুদি যুএসকী পেসেন্ট খরা এক্তিব ইনফেক্সনগী লাইচৎ লৈবা লৈবাকশিংদা চৎখিদবনা ভাইরস অসি লৈবাক অসিদা শন্দোরক্লিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী।

লৈবাকশিং অসিগী হেল্‌ঠ ওফিসিএলশিংনা হায়রিবদি পেসেন্ট অয়াম্বা গে নত্ত্রগা বাই সেক্সুয়েল নুপাশিংনি। ভাইরস অসি কেস কয়াদা সেক্সকী খুত্থাংদা শন্দোক্লম্বা থেংনখি। অদুম ওইনমক মঙ্কিপোক্স অসি সেক্সুয়েল ওরিয়েন্টেসনগী ৱাফম নত্তনা মী অমগা মী অমগা কা হেন্না নকশিন্নবা মতমদা হেক্তা শন্দোকপা ঙম্মী হায়না ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখি।

ওফিসিএলশিং অদুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মঙ্কিপোক্স অসি সেক্সকী খুত্থাংদা শন্দোকপা লায়না অমদি নত্তে। ভাইরস অদু ইনফেক্সন লৈরবা মীওই অমগা উনশা মশেল শাংনা কন্টেক্ট তৌবা মতমদা শন্দোকপা ঙম্মী। মরু ওইনা ইনফেক্সন লৈরবা মীওই অদুগী উনশাদা লায়না অসিনা শোকহনবা মফম লৈরবদি লায়না শন্দোকপা ঙমহল্লি। মসি হকচাংগী মহি ওইবা পোৎশকশিং, মোম্পাক ফিদক অমদি ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ফিরোলশিংগী খুত্থাংদসু শন্দোকপা ঙম্মী হায়খি।

# পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা আইএমএফকী ৱাফম য়াখ্রে, পেট্রোলগী মমল শরুক মরি থোকপগী অমা হেনগৎখ্রে



ইস্লামাবাদ, মে ২৭ (এজেন্সী):
ঙক্লিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী রেট লিটরদা পাকিষ্টানি রুপিস ৩০ নত্ত্রগা হৌজিক লৈরিবা মমলগী শরুক মরি থোকপগী অমা হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা জুন ১২ ফাওবগী মনুংদা ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আইএমএফ) কা ষ্টাফ লেভেল এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্লবগী লম্বী ফাৎখ্রে।

মমাঙদা অমুক্তা লৌখিদ্রিবা ৱারেপ অদুনা নাকল অমরোমদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ফুমখিবা লেন্দমাইন্দশিং দিফ্যুস তৌবদা মতেং পাঙলগনি অমসুং অমরোমদনা লৈবাক অসিবু শেনে দাল শীংবা ঙমদবগী ফিভমদগী খরমখৈদি কনবা ঙল্লগনি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

পার্টিগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা অয়াবা পীখ্রবা মতুঙদা ফাইনান্স মিনিষ্টর মিফতা ইস্মাইলনা খঙহৌদনা পাঙথোকখিবা ন্যু কনফরেন্স অমদা ৱারেপ অদু লাউথোকখিবনি। নৌনা মমল হেনগৎখিবা লোয়ননা পেট্রোলগী অনৌবা মমল লিটরদা পাকিষ্টানি রুপিস ১৭৯.৮৮ ওইরগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাকিষ্টানদা পেট্রোলগী মমল খ্বাইদগী ৱাংবা রেট ওইরিবা মমল অসি হৌজিক লৈরিবা মমলদগী চাদ ২০ হেনগৎলিবনি।

ইস্মাইলনা হায়খি, মদুদি মদু গভর্নমেন্টগী পোলিটিকেল কেপিটেলদা চৈথেং ফাওবা নঙগদবা অরুবা ৱারেপ অমনি। মখা তানা মহাক্না ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা হায়খি, মদুদি গভর্নমেন্টনা লিটরদা সবসিদি পিকেআর ৫৬ পীখি। ঐহাক্না মাঙবগী চাং হন্থহল্লিবসি লিটরদা পিকেআর ৩০ ফাওবনি।

গভর্নমেন্টগী অনৌবা ৱারেপ অসিগী মতুংদা হাই-স্পিদ-দিজলগী অনৌবা মমল লিটরদা পিকেআর ১৭৪.৮৬ ওইরগনি। হেনগৎপগী চাং চাদ ২০.৮ নি।

ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়, গভর্নমেন্টনা লিটরদা সবসিদি লুপা ৮৬ পীখি। অহানবা বেজতা সবসিদিগী শেনফম অসি পিকেআর ৩০ দমক হন্থহনবনি। গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিবু শেন্দোল শীংবা ঙমদবগী ফিভম অমদা তুং কোয়না লৈহনবা পামদে। ষ্টেটকী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা গভর্নমেন্ট অসিনা পোলিটিকেলগী চৈথেং অদু মায়োক্লনবা শেম শারে।

গভর্নমেন্টগী পোলিটিকেল ইন্টরেষ্ট কন্নবা হোৎনগদ্রা নত্ত্রগা লৈবাক অসিবু দিফোল্ট তাহন্দনবা হোৎনগদ্রা হায়বা অসিদা ঐখোয়না অমা খনবগী ফিভম লাকপনি। মমৈথংদা ঐখোয়না ষ্টেটকী ইন্টরেষ্ট কন্ননবা ৱারেপ লৌবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# বুর্কিনা ফাসোদা মীচম ৫০ হাৎখ্রে

ঔগাদৌগৌ, মে ২৭ (এজেন্সী):
বুর্কিনা ফাসোগী মাজৌরি রিজনদা খুৎলায় পায়বশিংনা চথরকখিবা শাথিরবা এটেক্ট অমদা য়ামদ্রবদা মীচম ৫০ শিখ্রে হায়না ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

রিজনেল গভর্নমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অদু পল্লদুনা এজেন্সি অসিনা হায়, টামা টাউনগী নাদিয়াগৌদা য়ৌশিন্নবা হোৎনরদুনা মাজৌরি টাউনদগী লাকখিবা মীওইশিং অদুবু মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা টার্গেট তৌখি। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫০ শিখিবনি।

মসিগী মমাঙ থা অসিগী ১৪ দা মফম অদুমক্তদা মীচমশিংদা চথখিবা এটেক্ট অমদা মীওই ১৭ শিখিবগা লোয়ননা মীওই তরেৎ অশোক অপন নঙখিবনি।

মে ১৯ দা মাজৌরিগী মিলিটরি দিটচমেন্টগী মায়োক্তা চথখিবা অতোপ্পা এটেক্ট অমদা লান্মী ১১ শিখি অমসুং অতে ২০ না অশোক অপন নঙখি। টেরোরিষ্টশিংনা কুমজা ২০১৫ দগী বুর্কিনা ফাসোদা চথখিবা এটেক্টশিংদা মীওই লিশিং অমা হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতে মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবগা লোয়ননা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনখি।

# পেরুদা যুহা কন্না হাখ্রে



লিমা, মে ২৭ (এজেন্সী):
রিক্টর স্কেলদা ৬.৯ য়ৌনা যুহা কন্না হাদুনা পেরুগী পুনো রিজন নিকখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না যুহা অদুদা মীশি মীনাশিং নত্ত্রগা বিল্ডিংনচিংবশিং অমাঙ অতা থোকপগী পাউদি খুদক্কী ওইনা ফঙখিদে। জিও ফিজিকেল ইন্সটিট্যুট ওফ পেরু (আইজিপি) গী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, যুহা অদু শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭.০২ তাবা মতমদা থোকখিবনি।

মদুগী ইপিসেন্টরনা মেলগার প্রোভিন্সকী অয়াভিরি টাউনগী অৱাং নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ২১ লাপ্পা অমসুং কিলোমিটর ২৪০ লুবা মফমদনি। অকনবা যুহা অদুনা মেলগার প্রোভিন্সকী অয়াভিরি, অশিল্লো অমসুং অজানগারো দিষ্ট্রিক্টশিংবু কন্না নিকহনখি অমসুং ওরুরিল্লো, পুকারা, টিরাপিটা অমসুং জেন্ট জোর্সপুনা ময়াই ওইরপ্পা নিকহনখি।

আইজিপিগী প্রসিদেন্ট হার্নান্দো টাবেরানা ফোঙদোকখিবদা যুহা অদু মেগ্নিট্যুট চাওনা হাখিবা ওইদুনসু ঐখোয়না অমাঙ অতা থোকপগী পাউ ফংখিদে। তৌইগুম্বসুং মদুনা বোল্লিভিয়াগা তাইনরিবা লমদমগী মীয়ামদা মীপায়বা পোকহনখি।

চৈরকসিদা, অচৌবা যুহা অদুগী মতুংদা আফটর শোক কয়া থোরকপা য়াই হায়রদুনা পেরুবিয়ান প্রসিদেন্সিনা মীয়ামদা মীপায়বা তৌদনা ইংনা চিক্না লৈননবা আপিল তৌখ্রে।

যুহা অদুনা অশোক অপনশিং নত্ত্রগা অমাঙ অতাশিং থোকহল্লম্বা য়াওরবসু মদুবু খঙদোক্লবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়নসু প্রসিদেন্সিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পেরু অসি মালেমগী সাইস্মিক এক্টিভিটি অপুন্বগী চাদ ৮৫ থোক্লিবা পেসিফিক রিং ওফ ফায়র হায়না খঙনরিবা মফমদা লৈরিবনি।

# রিজোলুসন পাস তৌবা ঙমখিদ্রে

সিওল, মে ২৭ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক্তা মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোকখিবগীদমক লৈবাক অসিদা অহেনবা অথিংবা কয়া থম্নবা যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল (যুএনএসসি) না রিজোলুসন অমা পাস তৌনবা হোৎনবদা চাইনা অমসুং রসিয়ানা য়েৎলকপদগী মায় পাকখিদ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, শগোলশেল নুমিত্তা যুএসনা প্রপোজ তৌখিবা রিজোলুসন অদু মেম্বর ১৫ লৈবা কাউন্সিলগী মেম্বর ১৩ না শৌগৎখি। তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়াগা অফবা মরী লৈনবা অমসুং কাউন্সিলগী ভিটো পৱার পায়বা পার্মেনেন্ট মেম্বরশিং ওইরিবা চাইনা অমসুং রসিয়ানা রিজোলুসন অদুগী মায়োক্তা ভোট পীবদগী মদুবু মায় পাক্না অথিংবা পীবা ঙমখি।

চহী অসি হৌরকপদগী নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল লোঞ্চ ১৫ পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ৱাশিংতন্না অনৌবা অথিংবা কয়া লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থম্নবা রিজোলুসন অদু প্রপোজ তৌখিনি।

# লান শোক্নরুবা ভোলুন্টিয়র ফাইটর শোক্লগা ময়ুমদা হল্লক্লে

সিওল, মে ২৭ (এজেন্সী):
যুক্রেনদা ভোলুন্টিয়র ফাইটর অমা ওইরুবা সাউথ কোরিয়ন অমা লানফমদা খুউদা শোক্লবা মতুংদা ইরাই নুমিত্তা ময়ুমদা হল্লক্লে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নেভি সিল্ড অমা ওইরম্বদগী যু ট্যুবর অমা ওইরকখিবা রি কিয়ুন কৌবা মীওই অদু ভোলুন্টিয়র ফাইটর অমা ওইনা যুক্রেনগী লানদা শরুক য়াখিবা মতুং থা অহুম কান্নরগা ময়ুম লৈবাক্তা হল্লকখিবনি।

মহাক ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা সিওলদা লৈবা ইঞ্চিওন ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুং ঙাইহাক্কী মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা রিনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী খুউ অনীমক্তা শোক্তুনা হৌজিক ওপরেসন অমা মথৌ তারে। রিহেবিলিটেসন অমদি ট্রিটমেন্টগীদমক ঐহাক যুক্রেনগী লান থাদোক্লগা য়ুমদা হল্লকপনি। ঐহাক অমুক হন্না যুক্রেনদা চৎপা পাম্মী। লান লেপত্রিবা ওইবনা মফম অদুদা তৌগদবা য়াম্না লৈ। ঐখোয়না হান্নদগী হেন্না কন্না লান শোক্লগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী অহানবা মিশনদা মহাক্না উখিবা যুক্রেনিয়ন সিভিলিয়ন অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক য়াওনা মহাক্না যুক্রেনগী লাননা থেংনখিবা কয়াগী মতাংদা তমখি। ইশামক্না শরুক য়াখিবা লান অদুদা ক্রিমিনেল ওইবা থৌওং কয়া উবা ফঙখি।

অদুম ওইনমক পুলিসনা অথুবা মতমদা মহাকপু পাসপোর্ট লো ভাইওলেট তৌবগী চার্জশিংগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লগনি হায়না পল্লদুনা রিনা হায়, মহাক যুক্রেনদা চৎপদা সাউথ কোরিয়া গভর্নমেন্টনা অথিংবা থমখিববু শীংনদুনা লৈবাক অদুদা লান য়াওবা চৎখিবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref. 6/SDO/Lil/App/DI/2003(pt)/1519** **Lilong, the 26th April, 2022**

Y. Rechel, W/o Late Yengkokpam Jayenta Singh of Khekman Makha Leikai

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Lilong the 23rd May, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Y. Rechel, W/o Late Yengkokpam Jayenta Singh of Khekman Makha Leikai, P.O. & P.S. Thoubal, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate and Family Member Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/2599/28

# বুষ্টর কাপ্লবা মীওইশিং কোভিদ টেষ্ট তৌদ্রবসু ফিলিপিন্সতা চঙবা য়ারগনি



মানিলা, মে ২৭ (এজেন্সী):
কোভিদ ১৯ বুষ্টর দোজ কাপ্লবা ট্রাভেল্লরশিং ভাইরস অসিগীদমক্তা প্রি-দিপার্চর টেষ্ট তৌদ্রবসু ফিলিপিন্সতা চঙবা য়াহল্লগনি।

পেন্দেমিক্না চাওনা শোকহল্লবা লৈবাক অদুগী ইকনোমি মহৌশাগী ফিভমদা হেনগৎহন্ননবা গভর্নমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না বুষ্টর কাপ্লবা ট্রাবেল্লরশিংবু কোভিদ টেষ্ট তৌদনা লৈবাক অসিদা চঙবা য়াহনগদবনি।

টুরিজম সেক্রেটরি বরনাদেটে রোমুলো-পুয়াটনা হায়, ট্রাভেল্লিংগা মরী লৈনবা অথিংবশিং মখা তানা কোমথোক্লবগী অনৌবা রুল অদু লৈবাক অসিদা লাক্লবা টুরিষ্টশিংবু পুক্নিং থৌগৎনবনি। মসিনা টুরিষ্টশিংদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

টুরিজম সেক্রেটরি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌরকফম লৈবাক্কী খেন্নবা থমদনা মখল খুদিংগী ভেক্সিনেসন সার্টিফিকেটশিংসু একসেপ্ট তৌগনি। লৈবাক অসিদা টুরিষ্টশিং মশিং য়াম্না লাকপা তারবদি লৈবাক অসিগী পীক্না বিজিনেস তৌরিবশিংদা অহেনবা ইনকম লাকহনবগা লোয়ননা সেক্তর অসিদা হান্নগুম্না মী মশিং য়াম্না থবক পীবা ঙল্লক্কদবনা মসিগী খোঙথাং অসি লোকেল টুরিজম ইন্দষ্ট্রিগী ওইনদি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না লৌনরিবনি।

সেক্রেটরি অসিগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১০ দগী ফোরেন টুরিষ্ট ৫০০,০০০ হেন্না লাকখি।

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385-2414539
0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

**REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES**
**(An Autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)**
**LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR**

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Imphal, the 27th May, 2022

No. B/3588/2021-RIMS/959 : In pursuance of quantum of reservation for Group C & D posts issued by the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India vide letter No. U-12025/19/2019-NE dt. 11th May, 2022, the reservation for Laboratory Assistant,RIMS, Imphal has been modified as under:

UR-3, OBC-1 & ST-2

The written test examination for selection of the candidates for the post of Laboratory Assistant will be held on 5/6/2022 (Sunday) from 11:00 a.m. onwards in the examination halls of RIMS, Imphal. Date of Skill test will be announced after completion of Written Examination

This issues with the approval of the competent authority.

Sd/- **K. Doungel,** Deputy Director (Admn.), Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/7669/28